# ‘মথং চহীদা স্বিটজর্লেন্দদগী ব্লেক মণি দতা ফংলগনি’



***ন্যু দিল্লি, জুন ২৯ ঃ***
ইন্দিয়ানশিংনা স্বিটজর্লেন্দদা থম্বা শেনফম চাদা ৫০ হেনগৎতুনা ২০১৭ দা স্বিস ফ্রেঙ্ক বিলিয়ন ১.০১ (লুপা ক্রোর ৭,০০০) য়ৌরে হায়না উৎপা দতা থাদোক্লকখ্রবগী নোংমগী মতূংদা য়ুনিয়ন মিনিষ্টর পিয়ুশ গোয়ালনা ঙসি ফোঙদোকখিবদা কুমজা ২০১৯ গী শেনবা-চহী লোয়শিল্লকপদা ইন্দিয়ানা সেন্ট্রেল য়ুরোপিয়ান নেসন অসিদগী ব্লেক মণিগী দতা পূন্নমক ফংহল্লগনি হায়খি।

ঐখোয়না ঈ-পাউ পূন্নমক অদু ফংলগনি অমসুং কনাগুম্বা মরাল লৈবশিং থেংনরবদি অকনবা থবক লৌখৎকনি হায়না ন্যু দিল্লিদা ঙসি পিয়ুশ গোয়ালনা পাউমীশিংদা হায়খি।

ঙসিদি কনাগুম্বা মীওই অমত্তনা লৈবাক্কী মপানদা শেন থম্বগী মথৌনা লৈত্রে। মসি গভর্ণমেন্টনা কন্না হোৎনবদগীনি হায়না ইন্টরিং ফাইনান্স মিনিষ্টর অসিনা হায়খি।

ইন্দিয়ানা পীখিবা অরানবা তৌবগী খুদম চাংদমদা য়ূম্ফম ওইরগা স্বিটজর্লেন্দনা ফোরেন ক্লাইয়েন্টকী অকূপ্পা মরোল পূন্নমক ইন্দিয়ানা পূন্না হান্ননা খন্নবা হৌখ্রবনি। ওতোমেটিক ইনফোর্মেসন একচেঞ্জকী মতাংদা অনৌবা এগ্রিমেন্ট অমগা লোয়ননা ব্লেক মণিগী মায়োক্তা ইন্দিয়ানা চঙশিল্লিবা লানথেংদা হেন্না তেংবাং পীগনি হায়না স্বিটজর্লেন্দনা য়াখ্রবনি।

লৈবাক অনীগী মরক্তা য়ান্নখিবা অদুদা য়াওরিবদি জনুৱারী ১, ২০১৮ দগী মার্চ ৩১, ২০১৯ ফাওবগী দতা পূন্নমক ফংহনগনি হায়বসিনি। মসিবু কমদৌনা ব্লেক মণি নৎত্রগা ইলিগেল ট্রানসেক্সননি হায়না লৌগদৌরিবনো হায়না পিয়ুশ গোয়ালনা হায়খি।

ফাইনান্সিয়েল দতা একচেঞ্জ তৌনবগী অমসুং স্বিস বেঙ্কশিংদা আইন্না য়াদবনি চিংনবা ইন্দিয়ানশিংগী একাউন্টশিংগী মরমদা পন্দুনা লৈরিবা ঈ-পাউশিং ফাষ্ট-ট্রেক্কিং একচেঞ্জ তৌনবগী অনৌবা ফ্রেমৱার্ক অমা শেম্মনবগীদমক লৈবাক অনীগী মরক্তা তাঙ্কক কয়ামরুম খন্ন-নৈনখ্রে। ইন্টরিয়ম ফাইনান্স মিনিষ্টরনা ৱাফমশিং অসি হেক ফোঙদোকখিবগী পূং ১ রোমগী মতূং কংগ্রেস প্রসিদেন্ট রাহুল গান্ধীনা মোদি গভর্ণমেন্টনা স্বিটজর্লেন্দদা লৈরিবা ইন্দিয়াগী ব্লেক মণি লৈবাকসিদা পুরক্কনি ৱাশকখ্রগা হৌজিক ফাওবা ঙমদনা লৈবগী মতাংদা চৈরকখ্রে।

স্বিটজর্লেন্দগী বেঙ্কশিং য়াওনা মপান লৈবাকশিংদা লোৎতুনা থমজিল্লি হায়না চিংনরিবা ব্লেক মণিগী মথক্তা ইন্দিয়ান মখা তানা থবক চঙশিন্নবা হোৎনজরবসু অঙকপা অমা ওইনা ২০১৭ দা স্বিটজর্লেন্দগী বেঙ্কশিংদা থম্বা ইন্দিয়াগী শেনফম চাং ৱাংনা হেনগৎলক্লি। চহী অসিদা স্বিটজর্লেন্দদা থম্বা শেনফম হান্নদগী চাদা ৫০ হেনগৎতুনা লুপা ক্রোর ৭,০০০ য়ৌখি।

কংগ্রেসকী প্রাইম মিনিষ্টর ডাক্তর মনমোহন সিংহনা পাল্লিঙৈ মতমদা স্বিটজর্লেন্দগী বেঙ্কশিংদা থম্বা ইন্দিয়ানশিংগী দিপোজিট নেমথখি। অদুবু প্রাইম মিনিষ্টর মোদিগী মখাদা মদু রেকোর্দ য়ৌবা চাংদা হেনগৎলকখি।

নরেন্দ্র মোদিনা লৌখৎলকখিবা দিমোনিটাইজেসনগী খোঙথাং অদুগী মতূংদা হৌজিক চাদা ৫০.২ হেনগৎলিবা অসি কুমজা ২০০৪ দগী হৌজিক ফাওবগী মনুংদা খ্বাইদগী ৱাংবা চাংনি হায়না কংগ্রেসনা ট্রুইটরদা ফোঙদোকখ্রে।

করপসন মুত্থৎনবগী অমসুং ব্লেক মণি ইন্দিয়াদা অমুক হন্না পুরক্নবগী প্রাইম মিনিষ্টর মোদিগী ৱাশক অদু করম তৌখ্রে হায়না কংগ্রেসকী ৱাঙাংলোই আর পি এন সিংহনা হংখি।

মপান লৈবাক্তা নমশিন্দুনা থল্লিবা লুপা ক্রোর লাক্ষ ৮০ গী ব্লেক মণি ইন্দিয়াদা অমুক হন্না পুরক্নবা বি জে পি না ৱাশকখিবা অমসুং মদুগী শেনফম অদুনা ইন্দিয়াগী বেঙ্ক একাউন্ট খুদিংমক্তা লুপা লাক্ষ ১৫/ ১৫ হাপচিনগনি হায়বা ৱাশক অদু কমদৌখ্রবগে ? ৱাশকখিবা ৱাফম অদুগী ওন্ন-তৈনবদা হৌজিক থোক্লিবা অশেংবদি ইন্দিয়ানশিংনা স্বিটজর্লেন্দগী নমশিন্দুনা থল্লিবা ব্লেক মণিগী চাং ২০১৭ দা চাদা ৫০ হেন্না হেনগৎতুনা লুপা ক্রোর ৭,০০০ য়ৌখ্রে হায়খি।

স্বিস নেস্নেল বেঙ্ক (এস এন বি) না থাদোরকপা ওফিসিয়েল এনুয়েল দতাগী মতূং ইন্না স্বিস বেঙ্কশিংগী ফোরেন ক্লায়েন্ট পূন্নমক্না থল্লিবা অপুনবা শেনফম অসি চাদা অহুল্লোম হেনগৎতুনা কুমজা ২০১৭ তা লুপা ক্রোর লাক্ষ ১০০ রোম য়ৌরে হায়খি।

# মীচমশিং হাৎপগীদমক জিহাদিষ্ট ১৩ ফাঁসি তৌখ্রে



***বাগদাদ, জুন ২৯ ঃ***
মীচম কয়াবু ফারগা হাৎখিবা ইস্লামিক ষ্টেট গ্রুপকী মীহাৎশিংদা মীয়ামগী অকন্নবা অশাওবা লৈরিবা অদু ঈংথহন্নবা ইরাক্কী প্রাইম মিনিষ্টর হাইদর অল-অবাদিনা অকনবা থবক লৌখৎনবা ৱাশকখিবগী মতূংদা কোর্টনা শিবগী চৈরাক পীনবা রাই পীদুনা লৈরবা জিহাদিষ্ট ১৩ বু ফাঁসি তৌদুনা হাৎলে হায়না লৈবাক অসিদা ঙসি ফোঙদোকখ্রে।

ইস্লামিক ষ্টেটনা লেপ্পা লৈতনা চত্থরক্লিবা মীওৎ মীনৈশিংদা ইরাকক্কী মীয়াম্না য়ানিংদবা পোক্লিঙৈ চৈরক্তা হায়রিবা গ্রুপ অদুনা মীচম নিপানবু ফারগা হাৎখিবগী থৌদোক অদুনা লৈবাক অসিবু অমুক্কা হেন্না থম্মোয় শোকহনখি অমসুং জিহাদিষ্টশিংবু মায়থিবা পীনবগী আশা মাঙহনখি।

প্রাইম মিনিষ্টর অবাদিনা জিহাদিষ্ট কনভিক্ট চা কয়াবু খুদক্তা ফাঁসি তৌদুনা হাৎনবা ঙরাং য়াথং পীখ্রবগী মতূংদা ওথোরিটিজনা অহানবা ওইনা ফাঁসি তৌবশিংগী ফোটোগ্রাপশিং থাদোক্লকখি।

খা থংবা ইরাক্কী জেল অমদা ফাঁসি তৌদুনা হাৎখ্রিবা কনভিক্ট ১৩ অদু মী ফাবগী থৌদোকশিং, বোম এটেকশিং অমসুং মীচমবু হাৎখিবা থৌদোক কয়াদা টেরোরিষ্ট গ্রুপশিংগা খূৎলাই পায়বগী ওপরেসনশিংদা শরুক য়াখিবশিংনি হায়না জষ্টিস মিনিষ্ট্রিনা ঙসি ফোঙদোকখি।

প্রাইম মিনিষ্টরগী ওফিসনা মসিগী মমাঙদা হান্না ফোঙদোকখিবদা আপিলশিং মায়থিখ্রবা কনভিক্ট ১২ ফাঁসি তৌদুনা হাৎলগনি লাওথোকখি।

ইস্লামিক ষ্টেটকী মেম্বর ওইবগীদমক ফোরেন নুপী ১০০ রোম য়াওনা পূন্না মীওই ৩০০ হেনববু ইরাকতা শিবগী চৈরাক পীখ্রে অমসুং অতৈ মীওই চা-কয়াবু পুন্সি চুপ্পগী জেলদা লৈবগী চৈরাক পীখ্রে হায়না এপ্রিল থাদা জুদিসিয়েলগী লীখুন অমনা ফোঙদোকখি।

ইস্লামিক ষ্টেটকী মায়োক্তা শক্তি শীজিন্নদুনা পাউখুম পীবা ঙমদবগী মরালশিং মায়োক্নরবা প্রাইম মিনিষ্টর অবাদিনা মখোয়গী আপিলশিংগী হিয়ারিংদা মায়থিখ্রবা কনভিক্টশিং অদুবু খুদক্তা শিবগী চৈরাক পীনবা ওর্দর তৌখি হায়না মহাক্কী ওফিসনা হায়খি।

জষ্টিস মিনিষ্ট্রিনা থাদোক্লকখিবা ফোটোগ্রাপ অমদা হাৎননবগী ঙাইদুনা লৈমায়দা ফমদুনা লৈবা মমিৎ পুনশিনবা অমসুং মখূৎ তুবুংননা হেনকপ তৌবা মীওই গ্রুপ অমা উৎলি। অতোপ্পা ফোটোগ্রাপ অমদসু নাসিরিয়াদা লৈবা জেলদা কনভিক্ট কয়াবু ফাঁসি তৌবগী শক্তমশিং উৎখি।

ইস্লামিক ষ্টেটনা ফাদুনা থমখিবা মীচম নিপান হাৎখিবা অদুগী লমন খুম্নবা প্রাইম মিনিষ্টর অবাদিনা ৱাশকখি। মীওই নিপান অদুগী অশিবা হকচাংশিং অদু লৈবাক অসিগী কোনুং বাগদাদকী অৱাংদা হায়ৱে অমগী পরীংদা থেংনখিবগী হেক নোংঙানবগা প্রাইম মিনিষ্টরনা ৱাশকখিবনি।

মহাক্না মাগী সেনিয়ার মিলিটরি ওফিসিয়েল অমসুং মিনিষ্টরশিংদা ফোঙদোকখিবদা ঐখোয়গী সেক্যুরিটি অমসুং মিলিটরি ফোর্সশিংনা টেরোরিষ্ট সেলশিং অসিগী মথক্তা অকন্নবা লমন খুম্বগী থবক শোয়দনা চত্থগনি হায়খি। ঐখোয়না ক্রাইম অসি চত্থখিবা মীওইশিং অদুবু ফানবা নৎত্রগা হাৎনবা ঐখোয়না ৱাশক্লি হায়না মহাক্না মখা তাখি।

# ইন্দিয়াগী নেভেল ওফিসার অভিলাশ তোমিনা “গোল্ডন গ্লোব রেস” কী ৱিনর ওইননবা থৌরাং লোইখ্রে

***বিসাখাপটনম, জুন ২৯ ঃ***
মালেমগী অকোয়বদা শুকলেপ লেপ্তনা অমসুং মতোমতনা হি হোন্দুনা চৎপা ঙম্বা অমত্তা ঙাইরবা ইন্দিয়ান, নেভেল ওফিসার কম্মান্দর অভিলাশ তোমিনা মহাক্কী অনীরকশুবা মতোমতনা পৃথিবী কোয়না হি হোন্নবগীদমক থৌরাং পূম্বা লোইখ্রে।



নেভেল ওফিসার অভিলাশ তোমিনা ঐতিহাসিক ওইরবা ‘গোল্ডন গ্লোব ৱেস’ তা ‘থুরিয়া’ কৌবা হি অদু হোন্দুনা মালেমগী অকোয়বদা চৎকনি। ঐতিহাসিক ওইরবা হিগী লমজেন তান্নবা অদু ফ্রান্সকী লেস সেবলস দি ওলোনদগী জুলাই ১ দা লমথারগনি।

পৃথিবী কোইদুনা হি লমজেন তান্নবা অসিদা পূন্না হিরোই ১৮ শরুক য়াগনি। বিসাখাপটনমদা ঙসি থাদোরকপা নেভিগী চেরোল অদুগী মতূং ইন্না হায়রিবা হি লমজেন অসিদা কম্মান্দর তোমিনা শরুক য়াগদৌরিবসি স্পিসিয়েল ইনভাইটি অমা ওইননি হায়রি।

অসিগুম্বা হি লমজেন তান্নবগী থৌরম অসি সার রোবিন নোক্স-জোন্সতোননা নুমিৎ ৩১২ নিগী মনুংদা নাইতোম ওইনা, কনাগুম্বা অমত্তনা মতেং পাংদনা অমসুং শুপলেপ লেপ্তনা পৃথিবীগী অকোয়বদা মপূং ফানা মায় পাক্লা হি হোনখিবা অদুগী চহী ৫০ শুরকপগী নীংশিং থৌরম ওইনা পাঙথোকপনি।

হন্দক্কী চহী অসিগী হি-লমজেন অসিদা শরুক য়াগদৌরিবা কম্পিটিটরশিংনা হৌজিক মতমগী নেভিকেসন এইদশিং অমত্তা য়াওদনা ১৯৬৮ কী হি হোনবগী ফিভমশিং অদুগা মান্ননা হি হোনগদবনি।

শীংনবা অসি য়াম্না তশেং তশেংবা অমসুং শেমদোক-শাদোকপা অমত্তা য়াওদবা অমনি। মসি সার জোন্সতোননা তৌখিবা অদুমককুম্না অকিবা লৈতনা মায়োক্নগে খনবা মীওইশিং অদুগীদমক্তনি।

পাঙথোক্কদৌরিবা থৌরম অসিদা চত্থগদৌরিবা নেভিগেসন অসি জি পি এস নৎত্রগা অতৈ ইলেক্ট্রোনিক ইন্সট্রোমেন্টশিং অমত্তা য়াওরোই ওতোপাইলোটশিং য়াওরোই। মসিদা নত্তনা পোক্কেট কালকুলেটরশিং ফাওবা য়াওহল্লোই মসি শুপ্নগী পেপর চার্টশিংদা য়ূম্ফম ওইরগা হি হোনগদবনি।

মসিদা শরুক য়ারিবা মীওইশিং অদুনা মখোয়গী লোগশিং ইজগনি অমসুং মখোয় মশামক্কীদমক মশানা ঈশিং-নুংশিং অমসুং নোং-চিংগী ফিভম লেপচগদবনি। মখোয়না তৌবা য়াহল্লিবা হায়ববু শুপ্নগী মতাং খরদতা মখোয়গী নুংশিনবা মীওইশিংদা অমসুং অতৈ মীওইশিংদা ৱা ঙাংবা খক য়াহনগনি হায়না নেভিগী চেরোল অদুনা মখা তারি।

# আই এম এফ না ইন্দিয়াগী ৱাংলিবা গ্রোথ রেটকী চাং অসি লেংহন্দনা থম্নবা পাউতাক অহুম পীরি

***ৱাসিংতন, জুন ২৯ ঃ***
ইন্দিয়ানা হৌজিক ফংবা ঙম্নবা অৱাংবা গ্রোথ রেট অসি লেংহন্দনা মখা তানা থম্ননবগীদমক লৈবাক অসিনা বেঙ্কিং সেক্টরগী রিফোর্মশিং তৌগদবনি, ফিসকেল কনসোলিদেসন মখা চত্থগদবনি, জি এস টি বু লাইথোকহনগদবনি অমসুং রিফোর্মশিংগী মতাংদা হেন্না খোঙলৈ থুনা চেকশিনগদবনি হায়না ইন্টর্নেস্নেল মোনিটরি ফন্দ (আই এম এফ) না ঙসি হায়খ্রে।

শেনবা চহী ২০১৭-১৮ গী মরিশুবা ক্বার্টরদা ইন্দিয়াগী গ্রোথ চাদা ৭.৭ দা কাখৎলকখি। মদু মমাঙগী ক্বার্টরদা চাদা ৭ ওইরম্বদগী হেনগৎলকপনি। ঐখোয়না গ্রোথ রেটতা অমুক কনখৎলক্লিবা অসি শেনবা চহী ২০১৮-১৯ দা মখা তানা চত্থগনি আশা তৌই। শেনবা চহী ২০১৯-২০ দদি ইন্দিয়াগী গ্রোথ রেট অসি চপ চানা ৭.৮ য়ৌরগনি খল্লি হায়না আই এম এফ কম্মুনিকেসন্স দাইরেক্তর গেরি রাইসনা মাগী থাখায়গী পাঙথোকপা ন্যুজ কনফরেন্সতা পাউমীশিংদা ফোঙদোকখি।

ইন্দিয়াদা হৌজিক ফংবা ঙল্লিবা গ্রোথ রেটকী অৱাংবা চাং অসি লেংহন্দনা মখা তানা থম্ননবগীদমক গেরি রাইসনা ইন্দিয়ানা ইনগদবা খোঙথাং অহুমগী পাউতাক পীরি।

হায়রিবা খোঙথাংশিং অদুগী মনুংদা অহানবদা বেঙ্কশিংদা লৈবা অরানবা অমসুং খুদোংচাদবশিং শেংদোকপগী থুনা লৌখৎতুনা অমসুং কোর্পোরেট বেলেন্স সীটশিং থুনা পুথোক্তুনা লোয়ননা পব্লিক সেক্টর বেঙ্কশিং চল্লাইবগী থবক কনখৎহন্দুনা ক্রেদিট হেনগৎহনবা, ক্রেদিট প্রোবিজনগী ইফিসিয়েন্সি কনখৎহনবা অসিনি।

মথংদা, গুদস এন্দ সার্ভিসেস টেক্স (জি এস টি) বু লায়থোকহন্দুনা অমসুং ষ্ট্রিমলাইন তৌদুনা পব্লিক দেবট্কী ৱাংলিবা চাং নেমথহনবা অমসুং ফিসকেল কনসোলিদেসন মখা চত্থবনি।

অহুমশুবদা মেদিয়ম-তার্মগী ওইনা মরু ওইবা মার্কেটশিং, খুদম ওইনা লেবর এন্দ লেন্দগুম্বদা রিফোর্ম তৌবদা হেন্না শাফু পীবা লোয়ননা বেঙ্কিং ব্যুজিনেসকী ক্লাইমেট ফগৎহনবা অসিনি।

আই এম এফ বোর্দনা মসিগী চহীগী ওইবা ইন্দিয়া মীফমগীদমক জুলাই ১৮ দা উন্ননবা চাওরাকপা মতম লেপ্লী। বোর্দ মীফম অদুদা ঐখোয়না ষ্টাফ রিপোর্ট পুথোক্কনি অমসুং জি এস টি গী মপূং ফাবা ৱারোল থমগনি।

জি এস টি হায়বা অসি য়াম্না চয়েৎনবা টেক্স মখল অমনি মসি এদমিনিষ্টর তৌবদা অমসুং ইমপ্লিমেন্ট তৌবদা অরুবা অমনি। মরম অদুনা মসিবু হেন্না লায়থোকহনবা অমসুং শেমদোক্তুনা পীকশিনহন্নবা শজেসন খরা মরু ওই খল্লি। আই এম এফ না ৱার্ল্ড ইকোনোমিক আউটলুক্কী খ্বাইদগী অনৌবা ৱারোল জুলাই ১৬ তা পুথোক্কনি হায়রি।

সনা-সুদোকু -১২১২ গী সোল্যুসন

| | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| 9 | 1 | 3 | 6 | 2 | 7 | 8 | 5 | 4 |
| 8 | 5 | 6 | 3 | 9 | 4 | 7 | 1 | 2 |
| 2 | 4 | 7 | 8 | 5 | 1 | 9 | 3 | 6 |
| 6 | 3 | 9 | 5 | 1 | 2 | 4 | 7 | 8 |
| 5 | 2 | 1 | 4 | 7 | 8 | 6 | 9 | 3 |
| 7 | 8 | 4 | 9 | 6 | 3 | 1 | 2 | 5 |
| 1 | 6 | 8 | 7 | 3 | 5 | 2 | 4 | 9 |
| 3 | 9 | 2 | 1 | 4 | 6 | 5 | 8 | 7 |
| 4 | 7 | 5 | 2 | 8 | 9 | 3 | 6 | 1 |

# শিল্লোংদা মশামক্কী নুপীবু হাৎখ্রে

***শিল্লোং, জুন ২৯ ঃ***
লৈবাক অসিদা য়ূমগী নুপীশিংগী মথক্তা নুপা ওইবশিংনা তমথিনা ওৎ-নৈবা অমসুং হাৎতোকপীবা ফাওবা য়াওবা থৌদোক কয়াগী মনুংদা মেঘালয়াগী কোনুং শিল্লোংদসু থম্মোয় শোক্না নুংঙাইতবা থৌদোক অমদা য়ূমগী য়ূম্বুরেল নুপা অমনা মহাক্কী লোয়নবী নুপীবু শাথিনা ফুরগা হাৎখ্রে।

থৌদোক অসিগী মতাংদা লৈখিদ্রবা নুপী অদুগী মচিন-মনাও থোকপা ঙুথানকিমি সাইলোনা জুন ২৭ তা ৱাকৎ অমা থাঙ্গৎলকখ্রে। মহাক্কী ৱাকৎ অদুদা শিল্লোংগী মাদান্ররিটিং ব্লোক-দি দা লৈবা জে ঙুরদৱালা কৌবা নুপা অসিনা মহাক্কী লোয়নবী নুপী ঙুরমুমাৱিবু মখোয়গী য়ূমদা শাথিনা ফুখিবনি হায়না ফোঙদোক্লি।

মপুরোইবনা শাথিনা ফুবদগী নুপী অদু অরুবা ফিভমদা শোকখি অমসুং জ্ঞান মাঙখি। মহাকপু কন্ননবা শিল্লোং সিভিল হোস্পিটালদা পুখি অদুবু মহাক্কী অশোকপা অদুনা মরম ওইদুনা মহাক হোস্পিটাল অদুদা শিখি।

# অঙাং শিবগী চাং হন্থহনবগীদমক মিজোরামনা এৱার্দ ফংলগনি

***আইজোল, জুন ২৯ ঃ***
মিজোরামনা অঙাং শিবগী চাং (ইনফেন্ট মোর্টেলিটি রেট-আই এম আর) তঙ্খাইরোম হন্থহনবগীদমক ষ্টেট অসিনা সেন্টরদগী এৱার্দ অমা ফংলগনি হায়না ঙরাং ওফিসিয়েল ষ্টেটমেন্ট অমনা ফোঙদোকখ্রে।

নেস্নেল হেল্থ মিসনগী মিসন দাইরেক্তর লালরোজামা অমসুং রিপ্রদক্টিভ চাইল্ড হেল্থ (আর সি ঐচ) কী ষ্টেট প্রোগ্রাম ওফিসার মিংথানমাৱিনা এৱার্দ অদু ঙসি ন্যু দিল্লিদা হেল্থ এন্দ ফেমিলি ৱেলফিয়ারগী য়ুনিয়ন মিনিষ্টর জগৎ প্রসাদ নদ্দাদগী লৌগনি।

এৱার্দ অসিগীদমক মিজোরামবু খল্লে হায়বসি জুন ২১ দা হেল্থ এন্দ ফেমিলি ৱেফিয়ার মিনিষ্ট্রিগী জোইন্ট সেক্রেটরী বন্দনা গুরনানিনা পাউ পীরকখিবনি। নেস্নেল হেল্থ মিসনদা ফংবা দতাগী মতূং ইন্না মিজোরামদা অঙাং শিবগী মশীং অসি ২০১৭ দা ২০ ওইরম্বদগী ২০১৮ দা ১৪ দা হন্থরকখি। মসি য়াম্না অচৌবা মায় পাকপা অমনি হায়না ওফিসিয়েলশিংনা হায়খি।

শেনবা চহী ২০১৬-১৭ তা অঙাংশিংগী চহী অমা ফাদ্রিঙৈগী মমাঙদা অঙাং ৪০৫ শিদুনা মিজোরামনা ইনফেন্ট মোর্টেলিটি রেট চাদা ২১ ওইখিবনি।

# এন এস সি এন (কে) গী এটেকতা এ আর ১ শোক্লে

***কোহিমা, জুন ২৯ ঃ***
নাগালেন্দগী ফেক দিষ্ট্রিক্তা এন এস সি এন (কে) গী আই ই দি (ইমপ্রোভাইস এক্সপ্লোসিভ দিভাইস) এটেকতা অসাম রাইফলসকী লান্মী ১ শোক্লে হায়না এ আরগী ওফিসার অমনা ফোঙদোকখ্রে।

পেরা মিলিটরি ফোর্স অসিনা অসাম রাইফলস কনভোই অমগীদমক ঙরাং পূং ৩ লোম তাবদা সেক্যুরিটি পীনবা লম্বীদা পেট্রোলিং চৎপদা এটেক অদু চত্থখিবনি হায়রি।

# শিব সেনানা প্রাইম মিনিষ্টর মোদি অমসুং মহারাষ্ট্র চীফ মিনিষ্টর ফদনাবিসপু দিক্টেরশিংনি হায়না চাংদম্নখ্রে

***মুম্বাই, জুন ২৯ ঃ***
মহারাষ্ট্র দিষ্ট্রিক্টকী রত্নাগিরি দিষ্ট্রিক্তা লৈবা নানারদা লীংখৎকনি হায়রিবা ওইল রিফাইনরি প্রোজেক্টকী মতাংদা সেন্টর অমসুং মহারাষ্ট্র গভর্ণমেন্টশিংবু অথিবা ৱাহৈনা চৈরদুনা শিব সেনানা প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদি অমসুং চীফ মিনিষ্টর দেবেন্দ্র ফদনাবিসপু দিক্টেতরশিংনি হায়না চাংদম্নখ্রে অমসুং ইমর্জেন্সিগী মতাংদা মখোয়না লাও খোংলিবশিং অদু তৌশিন্নবা তাৎনি হায়খ্রে।

পার্টিগী চেফোঙ ‘সামানা’ গী এদিটোরিয়েল অমদা শিব সেনানা হায়খি, রত্নাগিরি দিষ্ট্রিক্টকী নানারদা দোল্লর বিলিয়ন ৪৪ গী মেগা রিফাইনরি প্রোজেক্ট অদুগীদমক চেকতুম অমা থমদুনা যাত্রা হুনবা হায়বসি মফম অদুদা কেন্সর হোস্পিটাল অমগী যাত্রা হুনবগা মান্নগনি। হু চেল্লবা প্রোজেক্ট অসিনা মরম ওইদুনা অকোয়বদা লৈরিবা মীয়াম্না কেন্সর, টুবরকুলোসিস অমসুং অতৈ থবাক্কা মরী লৈনবা অনাবশিং নারগনি। মীয়ামগী অপাম্বগী মায়োক্তা নমদুনা প্রোজেক্ট অসি লীংখৎলক্কবদি মদু ইমর্জেন্সিগা চপ মান্নে হায়না এদিটোরিয়েল অদুনা মরাল শীরি।

প্রাইম মিনিষ্টর মোদিনা সেন্টরদা লৈরিবা লোয়ননা ষ্টেট লেভেলদা লৈরিবা ইনভাইরোনমেন্ট মিনিষ্ট্রি থিংজিল্লগদবনি। ইনভাইরোনমেন্টকীদমক মীওই কয়ানা মখোয়না ঙমজবী থাদুনা কন্না হোৎনরিঙৈ মতম অসিদা সেন্টর গভর্ণমেন্টনা ইনভাইরোনমেন্টপু থুগাইদুনা মাঙহন তাকহনগদবা হু চেল্লবা প্রোজেক্টশিং লীংখৎনবা হোৎনরি হায়নসু সামানানা মখা তারি।

নানার রিফাইনরি প্রোজেক্ট অদুনা লমদম অদুগী ইকো সিষ্টেম মাঙহল্লগনি লোয়ননা মফম অদুগী লৌউ-শিংউগী পোত্থোকসু মপূং ফানা মাঙ-তাকহল্লগনি হায়না মখা তাখি।

মোদি-ফদনাবিসনা দিক্টেতরসিপ্তা লেঙ্গোন্নদুনা চৎমিন্নরি। মখোয়না করিগুম্বা দিক্টেতরশিং ওইবা পাল্লবদি চহী ৪৪ গী মমাঙদা থোকখিবা ইমর্জেন্সিগী মায়োক্তা মখোয়না লাও-খোংলিবশিং অসি মীনম্বা তাৎনি হায়না সামানাগী এদিটোরিয়েল অদুনা য়াম্না থিনা মরাল শীখি।

মখা তানা অকনবা ৱাহৈদা চৈরদুনা সামানাগী এদিটোরিয়েল অদুনা মতম অমগী হিটলরনা জিয়ু লাক্ষ কয়া হাৎখিবা অদুগুম্না নানার প্রোজেক্ট অসিসু মীয়াম্বু মখোয়গী ময়ূমশিংদা হাৎনবগী লৌতুনবা অমনি লোয়ননা গ্যাস চেম্বর অমগী মনুংদা মখোয়গী মহৈ মরোংগী লমশিং অদু লাঙ্গোই চনশিন্দুনা মাঙ তাকহল্লগনি হায়খি।

চীফ মিনিষ্টর ফদনাবিসনা প্রোজেক্ট অদু মফম অদুগী মীয়ামগী মথক্তা নমদুনা থমজিন্নবা হোৎনরোই হায়বা ফিরেপ অমা লৌখিবনি। মফম অদুগী পঞ্চায়টশিংগী মীয়াম্না মহারাষ্ট্রগী চীফ মিনিষ্টরদা প্রোজেক্ট অদু মখোয়না য়ানিংদবগী চেরোল অমা হান্ননা পীশিনখ্রবনি হায়না এদিটোরিয়েল অসিনা হায়খি।

GAS TODAY
Lambodara Indane
Booking : Upto Date
Time : 07.30 to 10.00 a.m
Porompat Indane
Booking : 30/05/18
Valid : 04/05/18
Stk : 280
Time : 07.30 to 10.30 a.m
Imphal LPG Service
Booking : Upto Date
Stk : 500/19kg 100
Hrangchal Gas
Booking : 30/05/18
Valid : 24/05/18
Stk : 306
Time : 07.30 to 10.30 a.m
Khoriphaba Gas, Nambol
Booking : Upto Date
Valid : 28/06/18
Stk : 306
Time : 07.00 to 09.30 a.m
Athokpam Indane Wangjing & Khongjom
Booking : 25/05/18
Valid : 15/05/18
Stk : 612
Time : 07.30 to 11.00 a.m
Nongpok Sekmai Indane
Booking : 10/05/18
Valid : 06/05/18
Stk : 306
Time : 08.00 to 11.00 a.m
Maibia Gas, Moirang
Booking : 26/05/18
Valid : 24/05/18
Sl. No. 5850
Stk : 306
Time : 07.00 to 10.00 a.m
Tanglei Gas, Oinam
Booking : 26/06/18
Valid : 21/06/18
Stk : 306
Time : 07.00 to 11.00 a.m
GBD Gas, Lamlong
Booking : 22/05/18
Valid : 03/05/18
Stk : 612
Time : 07.00 to 11.00 a.m
Canchi Gas
Booking : 09/06/18
Valid : 31/05/18
Stk : 612
Time : 08.00 to 10.00 a.m
Manipur Gas
Booking : 03/05/18
Valid : 01/05/18
Stk : 306
Time : 08.00 to 09.00 a.m
Heingang Gas
Booking : 27/06/18
Valid : 06/06/18
Stk : 306
Time : 07.00 to 10.30 a.m
RBD Gas
Booking : 15/05/18
Valid : 03/05/18
Stk : 612
Time : 06.30 to 10.30 a.m
Yairipok Gas
Booking : 12/06/18
Valid : 07/06/18
Stk : 612
Time : 07.00 to 10.00 a.m
Misao Gas
Booking : 04/06/18
Valid : 18/05/18
Stk : 612
Time : 07.30 to 10.00 a.m
Sawombung Indane
Booking : 22/06/18
Valid : 02/06/18
Stk : 306
Time : 07.30 to 10.00 a.m
K & K Indane
Booking : Upto Date
Stk : 306
Time : 07.30 to 11.00 a.m
J. Rongmei Gas, Wangoi
Booking : 28/05/18
Valid : 26/05/18
Stk : 306
Time : 06.30 to 09.30 a.m
M M Gas
Booking : 11/06/18
Valid : 04/06/18
Stk : 306
Time : 07.00 to 10.00 a.m
Rate : Rs. 811.50/-

## SANA - SUDOKU

*Rules :- Nos. given in the grid should not be changed. Free boxes is to be filled with numbers from 1 to 6 horizontally and vertically without repeating any numbers.*

**Hard Sana Suduku-1213**

| | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| 1 | | 9 | | | | | 8 | 7 |
| | | 8 | | | | | | |
| 4 | | | 2 | | | | 6 | |
| | 8 | | | 7 | | 9 | 4 | |
| 7 | 3 | | 6 | 9 | | | | |
| | | | 3 | | | 8 | | |
| | 2 | | | 6 | | 7 | 3 | |
| | | | 7 | | 9 | | | |
| 3 | | | | | 1 | | | |